
# অচুম্বা লৌশিং ফংহনবদা লাইব্রেরিনা লৌবা থৌদাং

ডা. থৌনাওজম খোমদোন সিংহ



**তাইবঙ-মালেম** অসিদা শেম্লকপদগী লৈরক্লবা নুমীৎ, থা, থৱাম্মিচাক অমসুং খুৎশেমগী মঙাল কয়া অসিগী মথক্তা তোপ তোপ্পা মীৎনদি উবা ফংদ্রবা মঙাল অমা লৈরি মদুদি লৌশিংগী মঙালনি। লৌশিংগী শক্তিনা মীওইবনা তৌবা ঙম্বা থবক অসি শীংথাদুনা লোইবা নত্তে। লৌশিং লৈত্রবা মীঙোন্দদি তাইবঙদা লৈরিবা পোৎ পূম্নমক অরেম্বনি, তাইবঙ অসিমকসু অরেম্বনি হায়না খনগদৌরিবনি। মরম অদুনা থোইদোক-হেন্দোকপা লৌশিং লৈবা মীবু মহাপুরুষ হায়না সমাজনা ইকায় খুম্নে। মরম অসিনা মুণি ঋষি কয়ানা ধ্যান তোপ তৌদুনা থোইদোকপা ৱাখলগী লৌশিং ফংননবা হোৎনরিবনি। অসুম্না মশাগী ওইজবা পূম্নমক থাদোক্লবা মহাপুরুষশিং অসিনা তানশিল্লকপা কান্নরবা লৌশিংশিং অদু মতম অমদদি মহাক্কী সেবকশিংদা চীনহায়দা তম্বীরম্মী। ঙক্তে হায়বদি য়ারোই, মীওইবগী লৌশিংগী শক্তি, মতম অমদদি লৈরম্বা নত্তে মশাগী লোল অমসুং ময়েক অদুবু ঙসিদি লোলগী লোল ঙাক্তা ময়েক্কী ময়েক ঙাক্তা।

খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ চহী ৩০০০ লোমগী মমাঙদা সুমেরিয়ানশিংনা ইহান হান্না ময়েক পুথোক্তুনা লৈখোমদা ইবা হৌখি হায়নৈ। মখোয়না লৈখোমগী টেব্লেত্তা ইখিবা GILGAMESH হায়না মিংথোনবা ঈশ্বরনা লৈশেম্লকপগী মতাংদা ইরম্বা লাইরিক অদুনা ঙসি ফাওবদা মালেমগী খ্বাইদগী ইহান হানবা লাইরিক্কি হায়নৈ। অসুম্না মালেমগী মফম কয়াদা মাগী মাগী ময়েক পুথোক্তুনা মানা মানা হৈজবা মওংদা নূংদা, উনাদা, উকুদা, শউন্দা, কোরি-কোম্পাক্তা ইনরম্বগী পাউসু ঐখোয়না তাই। মতৌ অসুম্না ইদুনা শীজিন্নবা য়াবা পোৎ কয়া পুথোক্লরকপগী মনুংদা ইজিপ্তা নাইল তুরেলগী তোর্ব্বান্দা য়াম্না মরাং কাইনা হৌবা, পেপিরস হায়বা পাম্বী অমদগী ইপাক পাকপা মকোল মকোল কোনশিল্লগা লাইরিক্কুম্না থম্বা য়াবা পোৎ অমা পুথোক্তুনা শীজিন্নখিবা অদু শীংথানিংঙাইনি। কনাগুম্বনা হৌজিক্কী পেপর হায়রিবা ৱাহৈ অসিমক পেপিরসতগী থোক্লকপনি হায়নবা য়াওই। অদুম ওইনমক মালেমগী খ্বাইদগী ইহান হান্না চে পুথোকখিবা নিপাদি Tsai Lun নি। মহাক্না কুমজা ১০৫ দা চাইনাদা ইহান হান্না চে পুথোকখি। চে পুথোক্লবগী মতুংদা ইবগী চাং অসি অঙকপা ফংনা হেনগৎলকখি। অদুবু খূৎনা ইবনিনা মীওইবনা ফোঙদোক্লিংবা ৱাখল কয়াদি ফোঙদোকপা ঙম্লমদে অমসুং লৌশিং শন্দোকপগী খোঙজেল অসি য়াম্না তপ্লম্মী।

কুমজা ১৪৫৬ তা Johann Gutenberg কৌবা জর্মনি মচা অমনা প্রিন্টিং প্রেস পুথোক্তুনা মালেমগী ওইনা ইহান হানবা বাইবল অমা লমাই অমমমদা পরেং নীফুনিথোই-নীফুনিথোই চলহন্দুনা প্রেসতা নমখি। চহী খরতগী মনুংদা য়ুরোপ্তা নত্তনা মালেমগী মফম কয়ামরুমদা প্রেস হাংদোক্লরখি। ১৯ শুবা শতাব্দি হৌগৎলকপদা মতমদগীদি প্রিন্টিং প্রেসতা ইলেক্ট্রিক শীজিন্নবা হৌদুনা লাইরিক য়াম্না থুনা থুনা নম্বা হৌরকখি। অসুম্না ২০ শুবা শতাব্দিগী ময়ায় চল্লকপদগীদি প্রেসতা মেকানিজম কয়া কম্প্যুটরনচিংবা শীজিন্নদুনা ফজ-ফজবা ময়েক্কী দিজাইনশিং পুথোক্তুনা মীওইবনা তানশিল্লকপা জ্ঞান পূম্নমক অসি ঈশিং ঈচাওগী মতৌগুম্না ফোঙনরক্লে।

১৯শুবা শতাব্দিদগী হেনগৎলৎক্লিবা লাইরিক ফোঙবগী চাং অসি কুপ্না পানরবা মতুংদা য়াম্লবদা চহী ১০ গী মনুংদদি হান্না লৈরম্বা লাইরিক্কী চাং অদুগুম্বা অমা অমুক হেনগৎলক্তুনা দব্বল ওইরকই হায়না পানরম্মী। অদুবু ঙসিগী ২১ শুবা শতাব্দিদদি তোঙান তোঙানবা মিদিয়া শীজিন্নদুনা হেনগৎলক্লিবা মীওইবগী লৌশিংগী চাং অসি চহী ৩-৪ খুদিংগী হান্না লৈজরম্বা লৌশিং অদুগুম্বা অমা অমুক হেনগৎলকই হায়না পানরে। অসুম্না হেনগৎলকক্লিবা লাইরিক অমসুং মসিগী মখলশিং অসিদা য়াওরিবা মখল মখাগী লৌশিংশিং অসি মীওই অমতনা লোইনা পাবা অমসুং তাবা ঙম্বগী ৱাফম লৈতে। মরম অদুনা হৌজিক্কী য়ুগ অসি লিটরেচর ইক্সপ্লোজন নৎত্রগা ইনফোর্মেসন ইক্সপ্লোজন হায়না খঙনৈ। ইনফোর্মেসন ইক্সপ্লোজন হায়বা অসি চেকশিনহৌদ্রবদি তোকঙা ওনখিদুনা য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওই। মসিনা অরানবা মায়কৈদা লমজিংখিবা থোক্লবদি অরেম্বদা অৱামল মাঙবতা নত্তনা মশা ফাওবা মাঙগদৌরিবনি। মসিমক মণিপুরদদি য়াম্না তোইনা থোকপা থৌদোকনি। মী য়াম্নগা ৱা য়াম্বা হায়বসিদি মশানা তাজবা ৱাফমনি। মরম অদুনা অশেংবা লৌশিং ফংনবগীদমক্তা ওইদবা তোকঙাদি নৎত্রগা খঙদনা খঙবা শাবগী থবক্তি থাদোকপা ফৈ। ওইদবা হায়জিনবা কয়াদগী লাপথোক্লবা ঙসিদি উপাই কয়া 'মসু খুদম ওইনা রেদিও, টেলিভিজন, খবর, বুক রিভিয়ু, এবস্ত্রেক্ট অসিনচিংবা থোক্লকইবা অসিনি। মসি পূম্নমক্কীসু মথক্তা ঙসিদি কম্প্যুটরগী মতেংনা অপাম্বা মখলগী ৱাহংগী পাউখুম অমসুং মালেমদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী অশেংবা পাউ লৌবা ইরায় লায়না ঙম্লে। অসুক থুবা অসুক চাওবা য়াওল অমা মালেম শীনবা থুংনা লাক্লিবা অসিগী মরু ওইবা মরমদি অতৈ অমনা নত্তে মীওইবগী লেপ্তুনা তানশিল্লকপা লৌশিংননি। ঙসিদি মীওইবগী লৌশিংনা রোকেট কয়া শাদুনা থাদা নত্তনা মার্স প্লানেট ফাওবা কাবা ঙম্লে অমসুং সেটেলাইটকী মতেংনা লাইগী নিংথৌ (সোৱারেল) গী শক্তম লৌদুনা মালেমগী থৌদোক ৱাথোক, ঈশিং নুংশিংকী খোঙচৎ ফাওবা ওন্দুনা মীপুম তিংনা টেলিভিজনগী মতেংনা খঙহনবা ঙম্লে। রোবোট কয়া শাদুনা মীগুম্না থবক তৌহল্লে। অদুনদি লৌশিং হায়বা অসি করম্না চেকশিন্না মাঙহন তাকহন্দনা থম্লগা মদুগী কান্নবা অদু করম্না মীয়ামদা ফংহনগদগে হায়বগী মতাংদা খন্ন নৈনদুনা য়েংফম থোকই।

মীওইবনা লাইরিক ইবা অমসুং পাবা হৈরকপদগী হৌনা মদুবু মাঙহন তাকহন্দনা তুংগী মীরোলদা মথং মথং খঙহনবা য়ানবগীদমক্তা লাইব্রেরিদা থম্বা হৌরকই। মতম অমদদি লাইব্রেরি হায়বসি লাইশঙদা, কোনুংদা অমসুং লনাই ওইনা অকক্লবা মী খরতনা থম্নরম্মী। অদুবু চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না ঙসিদি লাইরিক তম্ফমশঙশিং, লৈঙাক্কী লোইশঙশিং অসিদসু নত্তনা প্রজা পূম্নমক্না চঙদুনা লাইরিক পাবা য়াবা পব্লিক লাইব্রেরিশিংসু মফম শীনবা থুংনা থম্নরক্লে। মতম অমদা লাইরিক্তমক থম্নরম্বা অদুসু ঙসিদি মীওইবনা লৌশিং তানশিনবদা শীজিন্নবা য়াবা পোৎ খুদিংমক খুদম ওইনা জর্নেল, খবর, ওদিও ভিজুয়েলশিং অমসুং অঙাংগীদমক্তা শান্নপোৎ ফাওবা থম্নরক্লে।

লাইব্রেরিগী মরু ওইবা পান্দমদি কনাগুম্বা অমনা করিগুম্বা হীরম অমদা খঙনিংলকপদা নৎত্রগা লাইরিক পানিংলকপদা মদুগী লমজিং লমতাক পীবা নৎত্রগা লাইরিক পীদুনা পাহনবনি। হৌজিক্কি মতমদদি হীরম অমগী মতাংদা ইবা দোক্যুমেন্টশিং অসিসু ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। মখোয় অদু লোয়নমক লৈবা নৎত্রগনা পাবা হায়বসিসু অৱাবগী মশক্নি। মতাং অসিদা মীয়ামগীদমক্তা লাইরিক থম্ফম ওইরিবা লাইব্রেরি অমসুং মীয়ামগী স্বার্থদা থবক তৌরিবা লাইব্রেরিয়ানগী তঙাইফদবা থৌদাং লৈ। মতম অমদদি লাইরিক্কী মশীং অসি য়াম্নদে অমসুং লাইব্রেরিশিংনা মখোয়গী মেম্বরদা য়াম্না কান্নগদবা লাইরিকমখৈ খল্লগা লৈবা ঙম্নরম্মী। ঙসিদি মীওইবদা জ্ঞান পীবা ঙম্বা উপাই অসি য়াম্লক্লবনিনা অদুগীসু মথক্তা অনৌবা ৱাখল্লোনশিং অসি য়াম্না মরাং কায়না শন্দোক্লক্লবনিনা মালেমগী অচৌবা লাইব্রেরি অমতনসু নোংমা নোংমগী লৌশিংগী পুকৈদা হাপচিল্লক্লিবা দোক্যুমেন্টশিং লৈবা ঙম্লক্তে। মরম অদুনা ঙসিদি লাইব্রেরি অমগা অমগগী মরক্তা লাইরিক পুথোক পুশিন তৌনবা (ইন্টর লাইব্রেরি লোন), দোক্যুমেন্ট শরুক য়ামিন্নবা লাইব্রেরিগী খুদোংচাবা অসি মীপুম শীনবা থুংনা ফংহনবগী লম্বীদা খুমাং চাউশিল্লক্লি। হৌখিবা চহী খরদগী মণিপুরগী মরু ওইবা লাইব্রেরিশিংদসু খুদম ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরি অমসুং রিজনেল মেদিকেল কোলেজ লাইব্রেরিনচিংবা অসিদি ইন্টর লাইব্রেরি লোলগী খুদোংচাবা অসি লৌদুনা লাক্লি।

কুমজা ১৯৬০ অদুৱাইদগী হৌনা কম্প্যুটর অসি শিনফম কয়াদা লাইব্রেরি য়াওনা শীজিন্নবা হৌরকই। কম্প্যুটরগী মতেংনা লাইব্রেরিগী দোক্যুমেন্টশিংদা য়াওবা কান্নবা লৌশিং কয়ামরুম্মু য়াম্না নিয়ম নাইনা পৈশিন্দুনা থম্লগা মদুবু দরকার ওইবা মীশক্তা অদুক্কী মতিক থুনা অমসুং মরিক চুম্না পীবা ঙম্মী। হৌজিক্কী মতমদদি কম্প্যুটরগী মতেংনা লাইব্রেরি অমনা অতোপ্পা লাইব্রেরি অমদগী অথাপ্পদগীবু ওইরবসু অনকপদগীবু ওইরবসু মাগী মাগী লৈনরিবা দোক্যুমেন্টশিং অমসুং মদুদা য়াওরিবা মচাকশিং অদু য়েংবা অমসুং শীজিন্নবা য়াবগী খুদোংচাবা ফাওবা পীনবা ঙম্নরক্লে। অসিদসু নত্তনা কম্প্যুটরগী মতেংনা টেলিফোন অমসুং টেলিগ্রামগী মথৌ তৌহন্দুনা অনৌ অনৌবা মালেমদা থোক্লিবা ঈ-পাউ ফাওবা লাইব্রেরিদা ফম্লিবা লাইরিক পাবা মীওইশিংদা খঙহনবা য়াবগী থৌরাঙ চাউখৎলবা লৈবাক্কী লাইব্রেরিশিংদা লাইব্রেরি নেটৱার্ক থমদুনা চৎনবা হৌরক্লে। লাইব্রেরি নেটৱার্ক অসি ইন্দিয়াগী মফম কয়াদসু মথং মথং চৎনরক্লি। মণিপুরগী ওইনা হায়বা তারগনা য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিসু য়ু জি সিনা পায়খৎলকপা International and Library Network (INFLIBNET) হায়না খঙনবা লাইব্রেরি নেটৱার্ক অদুগী ওনা খৃষ্টাব্দ ১৯৯২ দা ইন্দিয়াগী য়ুনিভর্সিটি ১১ খনগৎপদা য়াওবা হৌবদগীনা ঙসি ফাওবদা ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা কয়া শেল তিংবা তৌদনা হৌজিক হৌজিক তাঙল-তাঙলবা ফোরেনগী জর্নেল ৮৬৬৩ অমসুং লাইরিক, থেসিসনচিংবা পাবা ফংলি। মসিনা মতম অমদা লৌশিং লোৎশিন্দুনা থম্বগী চৎনবী অদু কোকহন্নবা হোৎনরি। চহী খরগী মতুংদদি লাইব্রেরি অসি ইন্দিয়াগী য়ুনিভর্সিটি অতৈগা ইনফোর্মেসন লৌথোক লৌশিন নিংথিনা তৌনবা য়ারগনি। মতৌ অসুম্না রিজনেল মেদিকেল কোলেজগী লাইব্রেরি অসিসু Health Literature Library and Information Service (HELLIS) হায়না খঙনবা মেদিকেল লাইব্রেরিশিংগী ওইবা নেটৱার্ক অমা সাউথ ইষ্ট এসিয়া রিজনগী মনুং চনবা ষ্টেট অমা ওইনা য়াওরে। লাইব্রেরি অসিনা দেল্লিদা লৈবা National Medical Library (NML) গী খুত্থাংদা MEDLARS অমসুং MEDLINE গী খুদোংচাবা লৌদুনা মালেমগী মরু ওইবা মেদিকেল সাইন্সকী লিটরেচরগী মরমদা কুপ্না খঙবা ঙম্লগনি। হৌজিক্তি পবমেদকী ৱেবসাইট চঙলগা ডোক্টরশিংনা কানরবা অনৌবা লৌশিং কয়া ইরায় লায়না ফংবা ঙম্লে। চহী খরগী মতুংদদি লেমহৌরিবা লাইব্রেরি কয়াদসু লাইব্রেরি নেটৱার্ক নিংথিনা হৌদোক্ল রকপগী থাজবা লৈ। নেটৱার্ক য়াওমিন্নবা লাইব্রেরিশিংদি অমগা অমগা দোক্যুমেন্ট অমসুং ইনফোর্মেসন লৌথোক লৌশিন তৌনগদবনিনা লাইব্রেরিগী মেম্বরশিংদা য়াম্না খুদোংচারগনি। শম্মা হায়বা তারবদা উখুলদা নৎত্রগা তমেংলোংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরি অমনা ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরি, ইম্ফালগী লাইব্রেরিদা লৈবা লাইরিক অমা নৎত্রগা ঈ-পাউ লাইব্রেরি নেটৱার্ক লৈরবদি লায়না খঙনবা য়াগনি।

চাংজৌ নাইদ্রবা লৌশিংগী ঈপাক্তা অচুম্বা লৌশিং থিদোক্তুনা মা-মাগী পন্থুং য়ৌবা ঙম্নবগীদমক্তা সাইন্টিষ্টশিংনা লেবোরেটরিদা অমসুং সোসল সাইন্টিষ্টশিংনা খুন্নাইদা য়ূন্ফম ওইরগা লাইব্রেরিগী মতেং লৌদুনা হোৎনৈ। মদুনা অমুক মায় পাক্লবা মতমদা মদুবু অমুক ইথোক্তুনা মথংগী মীরোলদা খঙহন্নবা হোৎনৈ। লাইব্রেরিনা মদুবু অমুক লৌশিল্লি অদুগা নৌনা হৌগৎলক্লিবা সাইন্টিষ্টশিংদা পাহল্লি অমসুং রিছার্স তৌরগা অনৌবা ৱাখলগী ময়োল চোংহল্লি। মরম অদুনা কনাগুম্বনা লাইব্রেরিবু লৌশিংগী ঈফুৎ নৎত্রগা ঈশিং চাইবী হায়না কৌনৈ।

হায়নবা লৈ মদুদি কনাসু হৈনা পোক্লকপা নত্তে, তম্লগা হৈরকপা ঙাক্তনি অমসুং তম্বগী লোয়বা লৈতে। অদুনদি ঐখোয় লেপ্তুনা তম্বা তাই, পাবা তাই অমসুং থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা মীওইবা সমাজদা কান্নবা খরদি তৌদুনা উৎলম্বা তাই। মীওইবনা মমা-মপাদগী, য়ুমলোন কৈরোন্নবদগী, মরুপ মপাংদগী অমসুং ওজা গুরুদগী তম্লিবা অসি পূম্নমক্কী মথক্তা মশানা মশাবু মহৈ তমজনবগী খ্বাইদগী ফবা উপাইদি লাইব্রেরিনি।

মতমগী মমলদি লেপ্পা ঙম্বা নত্তে। লাইব্রেরিগী লোদসু অপাবা মীগী মতম মাঙহনগনু হায়বা লৈ। মরম অদুনা লাইব্রেরিয়ান্না য়ারিবমখৈ থুনা লাইব্রেরিদা লাকপা মীগী অপাম্বা লাইরিক নৎত্রগা ঈ-পাউ অদু থিদোক্তুনা পীবা দরকার ওই। মীপাল তাংদনা ইশা ইরোমদোম লেপচবা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বা অসি মীথোই মীহেনবা অমগী চঙদবা য়াদ্রবা গুশ অমনি। অদুনদি হৌজিক মীওইবা অমনা মপুন্সি চুপ্পা অচুম্বা লৌশিং ফংনবগী খ্বাইদগী ফরবা পাম্বে অমা ওইরিবা লাইব্রেরিদগী করম্না করি দোক্যুমেন্টতগী করম্বা মখলগী লৌশিং ফংগদগে হায়বদু অমুক্তং নৈনদুনা য়েংসি।

১) লাইব্রেরিদা হেক চঙবগা ইহান হানবমক্তদা লাইব্রেরিগী কেটলোগ উবা ফংগনি। কেটলোগতা লাইব্রেরিদা লৈবা লাইরিক্কী মমিং মথা অমসুং মদুনা লৈরমগদবা মফম ফাওবা তাকই। হৌজিক্কি কম্প্যুটরাইজ তৌরবা লাইব্রেরিশিংদদি OPAC শীজিন্নদুনা লাইব্রেরিদা লৈবা লাইরিক থিদোকপদা য়াম্না লায়হল্লে, খঙদ্রগনা লাইব্রেরিয়ান্দা হংগনি।

২) সেলেবসকা মরী লৈনবা লাইরিক পাগে হায়রবদি টেক্সবুক পাগনি। অদুগা অৱা পোথানবা অমসুং হিরম অমগী মরমদা কনা কনানা করি ইখ্রবা হায়বনচিংবা খঙগে হায়রবদি পোইত্রি, দ্রামা, ফিক্সন অমসুং মোনোগ্রাফনচিংবা পাগনি।

৩) ঙসি ঙরাংদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক্কী মরমদা খঙগে হায়রবদি খবর, রেদিও, টেলিভিজন অমসুং ইন্টরনেটকী মতেং লৌগনি।

৪) থৌদোক ৱাথোক খরগী মরমদা মরীক চুম্বা পাউদম, অনৌবা বিষয়গী ৱাখল্লোন, ওর্গনাইজেসনগী পাউজেল অসিনচিংবা খঙগে হায়রবদি পেরিওদিকেল, ন্যুজলেটর, রিছর্স রিপোর্ট, পামফ্লেট অসিনচিংবা পাগনি।

৫) বনান, খোন্থোক, ৱাহৈগী অর্থ, ৱাহন্থোক, সিনোনিমস - এন্টোনিমস এব্রিএভিএসন, সিম্বোল, প্রমান পাম্থৈ অসিনচিংবগী য়াওফম থিগে হায়রবদি দিক্সনারি য়েংগনি।

৬) করিগুম্বা ৱাহৈ অমগী নৎত্রগা হিরম অমগী মরমদা তঙাইফদনা খঙদ্রবা য়াদবা ৱাফমশিং খুদম ওইনা ৱাহৈ নৎত্রগা বিষয় অদু করম্না হৌরকপা হৌজিক্না করম্বা ফীভমদা লাক্লবা হায়বনচিংবা খঙগে হায়রবদি ইন্সাইক্লোপেদিয়া য়েংগনি।

৭) লম লমগী ওইবা মমাঙগী চহী ফাওবদা ওইখিবা ফীভম, মী অমা ওইনা খঙদবা য়াদ্রবা লৌশিং, ইন্সটিট্যুসনশিংগী মমিং, লৈফম, থৌদাং, থবক তৌরিবা মীগী মমিং-মথা অমসুং টেলিফোন নম্বরনচিংবা খঙগে হায়রবদি ইয়ারবুক, জেনরেল নোলেজ, ডাইরেক্টোরিনচিংবা য়েংগনি।

৮) লম্মীৎ তুমিৎকী ওইবা ফীভমশিং, চৎথোক চৎশিনগী লম্বী থোং, কোইবদা নুংঙাইবা মফমশিং অসিনচিংবা খঙগে হায়রবদি এটলাস, গেজেটিব, মেপ, ট্রাভেল গাইদনচিংবা য়েংগনি।

৯) মীগী পুন্সিগী ৱারী খঙগে হায়রবদি হু ইজ হু, হু ৱাজ হু, বাইওগ্রাফিকেল দিক্সনারিনচিংবা য়েংগনি।

১০) অকক্লবা চহীগী মনুংদা পুথোকপা পোখোক হেনগৎলকপা মীশিং অসিনচিংবা খঙগে হায়রবদি ষ্টেটিষ্টিকেল ইয়ারবুক, সেন্সস রিপোর্ট অসিনচিংবা য়েংগনি।

১১) লাইরিক্কী মমিং মথা, মমল, ফোঙফম, চহী অসিনচিংবা খঙগে হায়রবদি বিব্লিওগ্রাফি, কেটলোগনচিংবা য়েংগনি।

১২) করম করম্বা পেরিওদিকেলদা করি করি ফোঙখ্রবা মদুগী শম্লপ্পা শক্তম্মা করিনো হায়বনচিংবা খঙগে হায়রবদি এবস্ত্রেক্ট, করেন্ট কন্টেন্স, ইন্দেক্সনচিংবা য়েংগনি।

লাইব্রেরিদা থম্বা লাইরিক হায়বা অসিমক্তবু লাইরিক্কী অফ-ফত্ত কুপ্না খঙলবা লাইব্রেরিয়ান অমসুং হিরম কয়াদা খঙ হৈরবা ওজাশিংনা তানরগা লৈবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা লাইব্রেরিদা ফত্তবা লাইরিক লৈবা হৌনদে। হৌজিক্কী মতমদবু লৌশিংগী করি অৱাৎপা অমুক লৈরিবগে? অদোমগী লৌশিংগী অপাম্বা অদুদা লৈবিয়ু অমসুং লাইব্রেরিদা চঙদুনা মথক্কী পাম্বে ১২ অসি শীজিন্নদুনা অপাম্বা মখলগী লৌশিং তানশিনবীয়ু। করিগুম্বা অদোম্না অপাম্বা ৱাখলগী লৌশিং অদু ফংবা ঙমদ্রগদি লাইব্রেরিয়ান্দা চঙদুনা তানবীয়ু। থাজদবা তৌবিগনু অশেংবা লৌশিং ফংগে হায়বা তারবদি মতম অমুক মাঙহল্লুবা তৌদনা লাইব্রেরিদা চঙদুনা বৈজ্ঞানিকশিংনা শোয়দ্রে হায়দুনা প্রমান তৌরগা ইথোক্তুনা থম্লবা লাইরিকশিং পারবা মতমদা ওইগনি। লাইব্রেরি হায়বসি মীয়ামগীনি। মীয়াম্না অদুক্কী মতিক লৌশিংগী ঈখৌ লাংলগা লাইব্রেরিগী থৌদাং হেনগৎলক্কদৌরিবনি। মরম অসিনা অশেংবা লৌশিং মীপুম খুদিংদা ফংহনবগা লাইব্রেরিগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী লৈনৈ ।।

# য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী খোঙচৎতা রিমস হোস্পিটাল

হেক্তা হায়নীংলকই - ৩৭৯

জিতেন নামৈরাকপম

**নহান** নোংমা য়ুনিয়ন হেল্‌ঠ এণ্ড ফেমিলি ৱেলফ্যরগী মিনিষ্টর জগৎ প্রকাশ নাদা (জে পি নাদা) না নোর্থ ইষ্ট হেল্‌ঠ ক্যের সিষ্টেম্সু চাউখৎহন্নবা পান্দমদা মণিপুরদা লাকখিবা অদু লমদমসিদা লৈরিবা মীওইবশিংগী ওইনসু খুদোংচবা ফংলগদবা খোঙচৎ অমনি। অনা-লায়েংগী হিরমদা থাক-ৱাংবা ষ্টেন্দর অমদা লাকহন্নবগীদমক তঙাইফদবা ফন্দ খুদিংমক থাদরক্কনি। রিসম হোস্পিটালদা লুপা ক্রোর ২০২ চঙনা নৌনা ইনফ্রা ষ্ট্রকচর শেমগৎনবা শেল থাদরক্কপগী মথক্তা নেস্নেল এইদস কন্ত্রোল ওর্গনাইজেসন (নাকো)না পীথগদবাশেন্থংসু মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ত্রোল সোসাইটিগা খুৎশম্নুনা মরম চাবা শেন্থংসু হকথেংননা সোসাইটি অসিদা পীথরগনি হায়না ফোঙদোক্লমখ্রে। নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্কী মখাদা য়ুনিয়িন মিনিষ্টরশিংনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা তোয়না থুংনা চত্তুনা চাউখৎ থৌরাঙঙগা মরী লৈননা হকথেংননা য়েংশিনহল্লক্লিবা অসিমক্তি অচুম্বা থৌরাঙ অমনি। মানা মানা পায়রিবা প্রোফোলিওগী মতুং ইন্না থবক তৌরকপদা চাং তান্নবগী মওংদা চথরকপা অসিমকসু অচুম্বা খোঙথাং অমনি।

হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যর মিনিষ্টরনা ইম্ফালদা থুংলদ্রিঙৈগী মমাঙদা রিমস হোস্পিটালদা লৌখৎখিবা চেকশিন-থৌরাঙ অদু হকথেংননা উরু-থেংনরুবা ফীভমদুদি লীলা থোক্লমদাইগী মেক-অপ তৌবদু মঙাই য়েংবদা ফনা নুংঙাইবা ফাওই। কেজুলিটিদগী হৌরগা ও পি দি অমদি ৱার্দ মনুংদা লৈবশিং মেদিসিন, ওর্থোপেদিক্স, পেদিয়াট্রিক্স, সর্জিকেল ৱার্দ অদুদগী গাইনি ৱার্দ ফাওবদা অকনবা থৌরাঙশিং পায়খৎপদা খোইরেন মশা পাইনখি। ৱার্দ চংফম, অনাবা লৈফম অমদি হোস্পিটালগী লম্বী মশা নান্না লৈহন্নবা ৱার ফুটিংদা থবকশিং পায়খৎখি। অনৌবা মচুগী রং তৈদুনা হেন্না ফজহন্নবা উবা ফংখি। থবক তৌরিবা শিন্নীশিং- ডোক্টর, নর্স অমদি পেরা-মেডিকেল ষ্টাফ খুদিংমক মশা-মশাগী পোষ্টিং মফমদা হান্নদগী হেন্না চেকশিন্না থবক তৌবা উনখি। থৌওংশিংদু উরুবদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসি নুমীৎ খুদিংগী লাকহন্নিংবগী ৱাখল পোক্লকখি।

কুমজা ১৯৭২গী সেপ্টেম্বরগী ১৪দা লিংখৎখিবা রিমস হোস্পিটাল পাউ-চেদা করিদা হুন্দুনা খোৎতনা পঙঙাংদা ঙাঙনরবসু হান্না লৈরম্বা মওংদগী হেন্না ফগৎলকপা ফীভম অমা উবা ফংলে। ডোক্টরশিং মতম চানা রাউণ্ড লাক্লম্লগা তৌফম থোকা তৌরম্লগা, তৌগদবা তৌরোইদবশিং নীংথিনা পাউতাক পীরম্লগা চংখি। নর্সশিংসু মথৌ য়াম্না কো-ওর্দিনেশন লৈননা পাঙথোকপা উবা ফংই। ট্রোলিদা হাপকৎলগা পুগদবা মশা শোনমনবদগী টেষ্ট তৌফমশিং রেডিওলোজিগী কা তান্না পুগদবা, এক্স-রে তৌগদৌবা, ই সি জি, সি টি স্কেল, ব্লদ টেষ্ট অমদি মখল-মখলগী টেষ্ট তৌগদবশিং করিসু ৱানিংঙাই লৈত্রে। ৱার্দ মনুংদা বেদতা হীপুনা লৈরিবশিংগী মনাক্তা মেছিন পুদুনা লাক্লগা ই সি জি, এক্স-রেনচিংবা পেসেন্টনা ৱাহন্দবা মওংদা লৌবা লাক্লে। খুদক-খুদক্তা রিজল্ট ফংহল্লে। মসিমতক্ত থাগৎনিংঙাইনি। য়াম্না হেন্না নুংঙাইরিবনা হোস্পিটাল মনুংদা প্রাইভেট হোস্পিটালগুম মশা-নান্না, মনম-মহা নমথীদনা শীৎ-নান্না লৈরম্বা অদুনি। মতম অমদা নাতোন মেন্দ্রবদি চঙবা ঙমদবা, পুক থক-খা ওনবা-মখৈ হন্দোক্কে তৌবগী মওং অদুদি ওইরমদ্রে। ফক্লাংদা ক্কা মহী চুরমদ্রে। তোইলেট শীৎ নান্না লৈরম্লে। পুং ২৪ মৈ পীরি। ঈশিংসু মরাং কায়না অদুম্মক ফংহল্লি। অয়ূক্কী অমদি নুমিদাংগী চান্নবা চাক এঙ্গাং অদুমক মশা নান্না য়েনবা লাক্লি। সেক্যুরিটিশিংনা লমহেন তুহেনবা, মথৌ লৈতনা হোস্পিটাল মনুংদা চংলক্লগা কোয়চৎ চৎতুনা, মীগী মপোৎ-মচে হুরানবশিং ফাননবা চঙহন্দনবা শেন্নরি।

মরকসিদা ডোক্টর অমদি নর্সশিংগা পেসেন্ট পার্টিশিংগী মরক্তা মুক্লবা, চরাংনবা পেন্নদবগী থৌদোক্তি মরক-মরক্তা অদুম্মক থোক্তুনা লাক্লি। ডোক্টরনা থৌশাদবা, পুক্লিং চঙদবা নৎত্রগা শোয়দবদগী মীশি-মীনা ফাওবা থোকখিবনি হায়বগী ৱাকৎ মমাঙদা কয়ারক থোকখ্রে। অদুগী ৱাবুদি ডোক্টরগী শীনফম হায়রেদনা মী লীশিং লীশিংগী পুন্সি কন্দুনা লাকপগী থাগৎ-ৱাহৈ মচেৎ অমফাওবা ফঙবা ঙমদ্রগসু খুজিন-খুনান্থোক্তগী অমা হেক শোয়রকপা মতমদদি হাৎলগে-তুপ্লগে, য়ূম মৈ থারগে হায়বগী হায়বগী খোল্লাও, খোন্থীমক্তনি মঙোন্দা হৈথরক্কদৌরিবসি। লৈপাক ৱাথোক ওইবা কায়সু য়াওখ্রে। ডোক্টরশিংগীদমক্তদি মখোয়দা খ্বাইদগী মীংচৎ থীবা থৌদোক তোকহনবা হায়বসি করিসু পাম্লম্লোই। পেসেন্ট পার্টি অমদি পেসেন্টশিংনা মোমোন নোক্লগা ময়ূমদা হনখিবা হায়বসি মখোয়গীসু অপাম্বা ওইরমগনি। পূম্নমকসিনা মরম ওইরগা অনা-লায়েংগী শীনফম পায়রিবশিংনা য়ারিবমখৈ চেকশিন্না মথৌ পাঙথোকহন্নিংই। অদুগা অনাবগা লোয়নবীরকপা কাঙবুশিংনসু মথোং-মরম খঙদনা ডোক্টরদা হেক্তা মরাল শীজিনবসু তৌবীরোইদবনি। হোস্পিটাল মনুংদা চঙশিল্লক্লগা পঙলাংদা লাংশিনবা, পঙঙাংদা ঙাঙশিনবা থেংনদবা নত্তে। অনীসিগী মরক্তা অফবা মরী থম্বা তঙাইফদে।

লোইশিল্লকপদা থমজনীংবদি রিমস হোস্পিটালগী অওনবা খরদি লাকপা উরগসু মসিনা পেন্থোকপা য়াদ্রি। অহোবা কয়া লৈরি। অনাবশিং ডাইগনোষ্ট তৌনবা হোৎনবদা টেষ্ট তৌনবা মেছিন শুনা লৈরিবা, মেছিন য়াওদ্রিবা, প্রাইভেট ক্লিনিকশিংদা চত্তুনা অরেম্বদা শেল চাউনা তিংনরিবসিদা ডাইরেক্টর অমদি এম এসনা মীৎয়েং চঙবীগদবনি। ডোক্টরশিংনসু কৎথোকপগা লোয়ননা অনাবশিংবু ঙমজবী থাক্তা য়েংবীনবা হোৎনবীগদবনি। পূম্নমক থম্মোয় শেংনা, পুকচেল শেংনা হোৎনমিন্নরবা, সেন্টরনা থাধরকপা শেলফমসু নিয়ম চুম্না শীজিন্নদুনা ৱাৎলিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎপীরবা, মশক নাইবা ডোক্টর মশীং হেনগৎহনবীরক্লবা, অৱাৎ-অপাশিং মেনশিনবীরকপা তারগদি এআইএমএস (এইমস)কী থাক্তা পুখৎলক্কনি হায়বসিগী মঙলান অদু মঙফাওনরকপা মশানা তাবনি।।

# মহারাজ নরসিংহগী তালোয়-অপানবগী ৱাহেংঙা

বি. দিমা দেৱী

*(হান্নগী মখা চথজরকপা...)*

**হায়রিবা** মতাং-মতম অসিদা ৱাহেংঙাদি মহাক্কী ফিদা অমসুং পোৎথা-চৈথাদু লৈমরেন/মহারানীগা চপ মান্নবা থাবা লৈপাক্কী ফিদানচিংবগী শীল্লিবা, পান্নরিবা অমসুং য়েংশিল্লিবা ফম্নাইবা 'ফমথকচা' হায়বদুনা থেংনরুরে অমসুং মহাক্লা অঙন্বা অঙন্বা অতৈশিংদসু উহন্দুনা খঙহল্লে। অদুগা অঙন্বা ফমথকচাসিনা ৱাহেংঙাগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা হঙ্গৎখি,

"মনাও ইবেম্মা! ইবেম্মনা থাবিরিবা পোৎথা-চৈথা, পোৎলম-চৈরমশিং অসি মৈতৈ লৈপাক্কী মৈতৈলৈমা লৈমরেন/মহারানীগা চপ মান্নরে, মসি হৌনদে লৈপাক অমত্তদা নিংথৌ অনী পানবা হায়বদু থোকই, মসি তৌবীগনু লৈম-নিংথৌ কাদা লঙজবা হায়বদু থোকই।"

ৱাফম অসিদা ৱাহেংঙানা করিগুম্বা পাউখুম অমত্তা পীদনা হান্নগী মওং ইকায় কায়দনা তুমিন্না অদুম্মক ফমদুনা লৈরম্মী। পাউখুম লাক্ত্রবদুদা ফমফম পান্নবা - শীনবা ফমথকচানা,

"মনাও ইবেম্মা লৈমা-নিংথৌ কাদা লঙজবসি লৈমা-নিংথৌগী ফিজি-ফিনা নেৎপগুম্বনি, ইশাদা লাইথুং পান্নরিবনি, তৌবীগনু! পোৎলম-চৈরমশিংসি লৌথোকপীয়ু।"

ৱাফম অসিদসু ৱাহেংঙানা পাউখুম অমত্তা পীরমদে। থৌ-ৱা ইশা-শাদবা তুমিন্না অদুম্মক লৈরম্মী। মদুদা মখোয়দৌ শাওগৎলবা ফমথকচাদুনা,

"মনাও ইবেম্মা! ননাই ঐ হঙ্গৎচরম্মীকো, ননাই ঐবু ঈথৌদা থৌশাদবা ইঙম পাংবা ঙমদবা তাদনবা উপায় য়েংজবা তারক্লে, পোৎথা-চৈথাশিংসি হন্দোকপীয়ু কৈদৌবগে"

মহাক্কী ৱাহৈশিংসি তারগা ৱাহেংঙানা লোন ঙাওদবা, খোঞ্জেল য়াওদবা পাউখুম অমা ওইনা মহাক্লা মকোক খুন্নিবা কুপ্লিবা ইন্নফিগী শরুক্কী ফিনাদু হাইদোক্লগা - "হুম-তৎ" হায়না শোল্লগা ফমথকচা অমসুং মহাক্তা লোয়নরক্লিবা অঙন্বশিং অদুদা উৎলক্লম্মী। মদুনা অঙন্বশিংবু খোয়শাওনহন্দুনা ৱারৌবগা লোয়ননা লৈপাক্কী মপু মৈতৈনিংথৌদা হঙ্গৎলুনবা চৎখিরম্মী।

ফিদা শীনবা অঙন্বা অমসুং মহাক্লা লোয়নবশিংনা কয়া নুংঙাইতনা চঙলকপদুদা চীখোন-নাউখোনবা ৱাঙাঙনা মৈতৈ নিংথৌনা - ইপুখোয় করি ৱা লৈবগে? হায়না তরাম্না হংবীরমখি। মদুদা ফমথকচানা,

"শ্রীযুৎ ইবুংঙো! ননাও ইবেম্মা ৱাহেংঙানা চৎলিবা শাজৎ অসি লৈপাক্কী ওইনা অকায়বা অমা ওইরে। লৈপাক্কী মহারানীগা করি অমত্তা খেন্নদনা পোৎলোয় পূম্নমক শুনা থারে। লৈপাকসিদা নিংথৌ অনী পানবগুম তৌরে। লৈমা নিংথৌ কাদা লঙজবা অমসুং অকায়বা ওইরে। ননাই ঐখোয়না তৌবীগনু হায়দুনা অহুম্লক হঙ্গৎচরবা ফাওবা তাবীদ্রে। ইকোন কোনবা হঙ্গৎপদুদা কোক্কী ফিখুম হাইগৎতুনা 'হুম' হায়দুনা কোক্কী লৱাই উৎপীরকই। ফীভম অসি থীংবিবনা ফগনি" হায়না হঙ্গৎচরকই। ৱাফমশিংসি মুন্না তারগা মৈদিংঙু গম্ভীরসিংহনা অঙন্বশিংদুদা হংলকখি, "ইপুখোয়! ঐগী ইনাও নুপীদুনা লৱাই উৎলকপগী মরমদি খঙবীরব্রা?" অঙন্বশিংদুনা ঙক্লপ্পা, "ননাই ঐখোয় খঙজদে হায়না খুল্লম্মী। "লৱাই অদু তাঙদ্রা" গম্ভীরসিংহনা ঙাইঙমদনা হংলগা মখা তাথরকই, "ঐ হায়গে তাবীয়ু, মহাক্ল। লৱাই অতাঙবা উৎলক্লিবদুগী অর্থদি, "ঐগী লৱাই অসিদা ফৌ-চেঙনচিংবা লুথোং পুরদুনা গম্ভীর-নর মচিন মনাওবু থাক্লকপনি, অদুগী লুথোং পুবদা ইকোকসি তাঙলিবনি, হায়বনি। মহাক্কী মপানা ইচিন ইনাওনা য়েক্লবা তান্থোক্তুনা মণিপুরদা হল্লকপা ফংজবনি। মাদি ইনাওনুপী নত্তে ইমা শক্লবীনি, মানা থোকপা তৌজসনু, মাগী অসিগুম্বা মরাল ঐ থিনীংদে।" মৈতৈ-নিংথৌগী ৱাসি তারগা অঙন্বশিংদু ৱাখল লৈতারক্লদুনা সনা নাক্তগী থোক্লখি।

অসিনি মৈতৈ চনু ৱাহেংঙানা ফংলিবা ইকায় খুম্নবগী থাক অসি। মতমসিদা মণিপুর ইতিহাসতা ঝানসিগী রানী লক্ষ্মীবাইগুম মচা পোরগা শগোল খুরুপ থৌখিবী মৈস্না কুমুদিনী মরৈপাক নীংবীগী মীকপ থোক্তি।

**ৱাহেংঙানা পুন্সি চেঙজেল খমখিবা**

মপুরোইবগী হকচাং তঙ্খায় ওইবী ৱাহেংঙাসি সেনাপতি/য়ুবরাজ নরসিংহনা মৈতৈ-নিংথৌ ওইরক্লবদা নহা-অহল, অহান-অকোন্নচিংবগী ৱায়েল ঙাক্তুনা নোংমতা মবুংঙোদা লৈমরেন ওইগে ৱাকৎচখিদে অদুবু সেনাপতি নরসিংহগী পুন্সিগী খোঙথাং খুদিংমক্তদি মহাক্লা ঙাকলৌ/চৈঙাক ওইরকপীনি। ৱাহেংবম চনু অপানবী অহলসি মৈদিংঙু নরসিংহগী মচাইবুংঙো অনী-সনা প্রতাপসিং অমসুং সনা ভগিন্দ্রসিংহগী মমা ওইবা ফংজখি। লৈমা অমা ওইবগী ফংফম থোকপা পূম্নমক ফংদুনা অমসুং মপুরোইবগী শেগা থুপচদুনা মৈতৈ লৈপাক্কী য়োইবু অথোইবী ওইনা লৈরকখি। অদুবু মপুরোইবনা চহী তরুক ঐখোয়গী ইনিংথৌ নুংশিখিবা ওইনা পাল্লম্লগা মৈদিংঙুসিনা পুকচৎপগী লায়না কুমজা ১৮৫০ গী এপ্রিল ৪ শগোলশেল নুমিত্তগী সনাহকচাং ইরকপা (চৈ: কু: ১৯৮৯, ২৯৯) সিগা লোয়ননা ৱাহেংঙাগী হকচাংদসু লায়নাসিমক্কী লান্দাখোল তাখি। অদুবু মপুরোইবগী ৱাখলনা লুমখিবনা করিসু তৌদবগুম নোংমা নীনিদি মপুরোইবগী অনাবগী সেবা তৌজরম্মী। মৈদিংঙুগী সনা হকচাং ঈবা হন্দোক্লকপগী মহুৎতা তোপ তুনা নাশিল্লকপা মতমসিদা ৱাহেংঙাসু লায়নাসিগী তেন্না পাল্লে। মহাকসু হৌগৎ-কাঙখৎপা ঙমদনা নারে।

মীওইববু পুগে লাক্লবা মতমদুগী লাইচৎকী লায়নানিনা করম্বা মাইবা অহৈবনা লাইচত্তুগী মায়োক্তা মায়রোং য়ারুগনি। মরম অসিনা মৈদিংঙু নরসিংহ এপ্রিল ১০, ১৮৫০, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নোংঙাল্লমদায় [নোং ঙানগদবা পুং ৩ ৱাৎলিঙৈ (মৈতৈ পুং ১ গা হৌজিক্কী মিঃ ২২ সেঃ ৩৮ মুক্তা মান্নে)] ৱাৎলিঙৈদা, ২৯৯: E.W.D.,1981, 44] অদুগা মতম পূম্নমক্তা মপুরোইবগী মতুং ইঙ্গরক্লবী ৱাহেংঙানা মৈদিংঙুনা নোঙ্গাখিবা মতুং পুং অমা (মি:২২ সে: ৩৮) গী মনুংদা তাইবঙপাল থাদোক্লমদুনা মপুরোইবগী নোঙ্গাবদা মতুং ইনখি।

**ৱারোইশিন ঃ**

মথক্কী ৱাফম খরসিদগী হৌজিক্কী মীৎয়েংদা তারক্লিবদি - ৱাহেংবম চনু/নিঙোল রসনি/ৱাহেংঙাগুম্বী মৈতৈ চনুসি য়াম্না তাঙনা মৈত্রবাক্কী ফম্বাকসিদা থোক্লকই। তমজনীংঙাই ওইরবা মহাক্কী মরমচৎ, মথৌনা, লৌশীং, মপুরোইবনা নীংবা অমসুং কথোকপগী নুপীগী শক্তমগুম খৃষ্টগী ১৯ শুবা চহী-চাগী অহানবা তংখায়দা লূ-তোংগী হকচাং পুদুনা লেপ্লম্বিসিগুম্বী খরনা ঙসি মৈত্রবাক্কী মাঙথরক্লবা ৱাখলগী মচৎ অসিবু কনবদা মরু ওইনা থৌদাং লৌরখিগনি ।।

*(কর্সি : হেরিটেজ অনীশুবা মশীং )*